# মনালৈবাক স্পোর্টস

SATURDAY, FEBRUARY 15, 2014, PAGE 7



*অনীশুবা ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দগী টেষ্ট মেটচতা ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌখিবা ইসান্ট*

*এ টি পি মেটচ অমদা শরুক য়ারিবা টাইৱানগী লু য়েন সননা মহাক্কী ওপোনেন্টতা বোল হন্নবা হোংনবা*



## টোরভিল অমদি দেননা চহী ৩০ গী মতুংদা গোল্ড লৌখ্রে



*সোচি, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

বৃটিশকি ফিগর স্কেটিংগী আর্টিষ্টিকতা চহী ৩০ গী মতুংদা জেনি টোরভিল অমসুং খৃষ্টোপর দেননা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

শান্নরোই অনী অসিনা অহানবা ওইনা ইং ১৯৮৪ দা পাঙথোকপা ৱিন্টর ওলেম্পিক অদুদা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। হন্দক মখোয়না গোল্ড মেদল লৌরিবসি চহী ৩০ গী মতুংদা ফংবনি। অহল ওইরবা শান্নরোই অনী অসিনা য়াম্না নীংথিবা পার্ফোমেন্স পীবগা লোয়ননা আর্টিষ্টিক ফিগর স্কেস অসিবু য়েংলিবা মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৫৫ শুরবা খৃষ্টোপর দেননা হায়খিবদা পুন্সি হায়বসি করিগুম্বা অমদা খুদোংথীবা থোকপা য়াই অদুবু মশান্না অসিদগী মহাক মতম খরা পোত্থদুনা লৈরুরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অহল ওইরবসু মহাক অমদি জেনি টোরভিলনা ঙরাং পাঙথোকখিবা পার্ফোমেন্স অদুবু থাগৎপা ফোঙবগা লোয়ননা মখোয় অনীগী ওইবা পার্ফোমেন্স অমা লাক্কদৌরিবা চহী ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা বোনিয়াগী কেপিটেল সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন য়ুথ ৱিন্টর ওলেম্পিক ফেষ্টিবেলদসু মখোয় অনীগী ওইবা পার্ফোমেন্স অমা পীবিনবা হায়জখি।

মখোয় অনীনা ইং ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন ৱিন্টর ওলেম্পিক ফেষ্টিবেল হৌদোক্কদৌরিবা মফম অসি ওলেম্পিক হোল জেট্রা হায়বা অসিদনি। মফম অসিদা ইং ১৯৯২ দগী ১৯৯৫ ফাওবা থোকখিবা বোসিনিয়াগী লাল অদুদা মীওই লাক্ষ অমরোম হাৎখিবা মফম অদুদা ষ্টেদিয়ম অসি শাখিবনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা খৃষ্টোপর অমসুং জেনিনা ফিগর স্কেটিংগী শরুক অমা ওইরিবা আর্টিষ্টিক্তা মখোয়গী ওইবা ফজবা পার্ফোমেন্স অমসু পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। বৃটেননা মখোয়না অমুক হন্না চহী ৩০ গী মতুংদা মেদল লৌরকপা অসিদা নুঙাইবা ফোঙদোকখি।

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Germany | 7 | 2 | 1 | 10 |
| 2 | Switzerland | 5 | 0 | 1 | 6 |
| 3 | Canada | 4 | 4 | 2 | 10 |
| 4 | Norway | 4 | 3 | 6 | 13 |
| 5 | Netherlands | 4 | 3 | 5 | 12 |
| 6 | United States | 4 | 2 | 6 | 12 |
| 7 | Russia | 2 | 5 | 4 | 11 |

## ইন্দিয়ানা ২শুবা টেষ্টতা রন ১০০ লৌখ্রে, ধৱননা ৭১ লৌরি



*ৱিল্লিংটোন, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দ লৈবাক অনীগী ওইবা টেষ্ট মেটচ অনী শান্নগদবা অদুদা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু য়ুম্বু ওইরিবা ন্যুজিলেন্দনা শুপ্নগী রন ৪ দা মায়থীবা নঙখিবা মতুংদা ঙসি মখা তানা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নখ্রে।

অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিদা ন্যুজিলেন্দনা রন ১৯২ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি। মসিদা ইন্দিয়াগী পিচ বোল্লর ইসান্ট শর্ম্মা অমদি মোহমদ সমিনা ওল আউট ওইহনবদা চাউনা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেটশিং অদুসু মখোয় অনীনা লোইনমক হাৎখিবনি।

ন্যুজিলেন্দনা ওল আউট ওইখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা মখোয়গী ইনিংস শান্নবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী সেখর ধৱননা রন ৭১ লৌরি।

ঙসিগী ওইনা লোইশিনখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচকি অহানবা নুমিৎ অদুদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ২ তুবদা রন ১০০ লৌখি। সেখর ধৱননা হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী পুন্সিদা টেষ্ট মেটচ ৭ শান্নবদা লৌখিবা রন অসি ৫০০ হেনখ্রে। মহাক্না ইনিংস ১০ দা রন ৫০৫ লৌরি। মসিগী মনুংদা মহাক্না ২০০ লৌখিবা অমদি ৫০ লৌখিবা অদু থারগনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না লৌরিবা রন অসি এভরেসতা য়েংলগদি ৫৬.১১ নি।


ইন্দিয়াগী ওইনা ঙসিগী টেষ্ট মেটচ অদুদা সেখর ধৱন অমদি মুরলি বিজয়না ওপনর ওইদুনা শান্নখি। মুরলি বিজয়না শুপ্নগী বোল ৬ তা রন ২ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি।

মহাক্কী মতুংদা চিত্রেশ্বর পুজারা থোরক্তুনা মখা তানা রন লৌনবা শান্নখি। লাইবকথীবদি মহাকসু বোল ৫৯ দা রন ১৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবা ইন্দিয়াগী ৱিকেট টেক্কর পিচ বোল্লর অমা ওইখিবা ইসান্ট শর্ম্মাগা সেখর ধৱনগা পার্থনর ওইদুনা লৈরি। ইসান্ট শর্ম্মনা বোল ১৬ তা রন ৩ লৌরি অদুগা ওপনর ওইরিবা সেখর ধৱননা বোল ৮৭ তা রন ৭১ লৌরি।

ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট অদু অনীশুবা ওভরদা তুখিবনি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা রন অসি শুপ্নগী ২ খক লৌরি। মসিদা ওপনর ওইরিবা মুরলি বিজয় আউট ওইখি। মখা তানা শান্নরকপগা লোয়ননা ওভর ২৪.২ দা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ৱিকেট ওইনা চিত্রেশ্বর পুজারা আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী রন অসি ৮৯ লৌবগা লোয়ননা অনীশুবা ৱিকেট তুদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী ইসান্ট শর্ম্মনা মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী য়াম্না ৱিকেট লৌখিবা অনীশুবা মেটচ অসি ঙসি ওইখি। মহাক্না টেষ্ট মেটচ ৫ শান্নবদা ঙসি ৱিকেট ৬ লৌবা অসি থারগা মহাক্না হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট মেটচ অমদা ৱিকেট খ্বাইদগী লৌবা শান্নরোই অমা ওইরি। নীংশিংবা য়াই শান্নরোই অসিনা ইং ২০১১ দা ৱেষ্ট ইন্দিসকা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অদুদা মহাক্না রন ৫৫ পীরগা ৱিকেট ৬ লৌখিবনি। ঙসিনা মহাক্না রন ৫১ পীরগা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখি।

## বৈচুংনা লুচিংদুনা ৱার্ল্ড কপ ২০১৭ গী কেম্পেন পাঙথোক্কদৌরি



*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

ইন্দিয়া টিমগী ফুটবোলদা হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা বৈচুং ভুটিয়ানা সি ই ও অমদি দিভলপমেন্ট ওফিসরশিংগা পুন্না ফম্মীন্দুনা ইন্দিয়ানা শক ২০১৭ তা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপকি কেম্পেনগী মতাঙদা খন্না নৈনখ্রে।

খন্না নৈনবা অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমত্তনা নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট অমত্তনা পাঙথোক্কদৌরিবা এজ গ্রুপ টুর্নামেন্ট অসিগী মতাঙদা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

বৈচুংনা ফোঙদোকখিবদা ইন্টর্নেসনেল ফুটবোল কনভেন্সনগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেটশিংনা মখোয় মখোয়গী অপান্বশিং অদু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দা থাগৎলক্লবা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী চিয়ারমেন অমদি টেক্নিকেল কম্মিটিদা খঙহল্লক্কদবনি।

ইন্দিয়ানা অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ অসি পাঙথোক্লবগী য়ুম্বু ওইনবা ফিফাদা তক্করকপদগী ফিফানা ইন্দিয়াবু শক খঙবীবগা লোয়ননা অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ অসি লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লবা অয়াবা পীরকখিবনি।

মসিদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না অচৌবা থৌদাং লৌখি। বৈচুংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মোহন বগানা মখোয়গী শান্নরোই খরা থারক্লবা হায়রকখি অদুবু নন পেমেন্ট ওইবনা মরম ওইদুনা শান্নরোই থাগনি নৎত্রগা থারোই হায়বদু কনফার্মর ওইদ্রি।

হন্দক্কি অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ অসিদা ফেন্দরেসনগী মখাদা লৈরিবা ক্লব অমদি ষ্টেট এসোসিয়েসনশিংনা থোইদোক হেন্দোক্না হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোইশিং থারক্লবসু মহাক্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা নেসনেলগী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা ৱিম কোভরমেন য়াওনা টেক্নিকেল দাইরেক্টর রোব বেননা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মপুং ফাবা শান্নরোই খনবগী থবক অসি কন্না চঙশিল্লি। মসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অসি শক ২০০০ দা পোকপা ওইগদবনি হায়বা ৱাফমসু থল্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎকনি। লোয়ননা ৱার্ল্ড কপ অসিনা লৈবাক অসিবু ফুটবোল শান্নবা লৈবাক অমনি হায়বসি পৃথিবীদা মশক তাক্কদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা ৱিমনা ফোঙদোকখিবদা কপ অসিগীদমক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী শান্নরোই ১২০ খনগৎকনি মসিদা একাদমি মরিদগীসু শান্নরোই লৌগনি অদুগা নেসনেল ফুটবোল টিম শেম্নবা সেলেক্সন তৌগনি হায়খি।

## ও বেমবেমনা ফুটবোলর ওফ দি ইয়ার এৱার্দ ফংখ্রে

*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ইং ২০১৩ গী নুপা অমসুং নুপীগী ফুটবোলর ওফ দ ইয়ার এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মসিদা মণিপুরগী শান্নরোই অমা ওইবতা নত্তনা ইন্টর্নেসনেলদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মেটচ কয়া শান্নরুবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরুরবা ও বেমবেমদা ইং ২০১৩ গী ৱুমেন্স ফুটবোলর ওফ দ ইয়ারগী মনা পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রে।

শান্নরোই অসি হৌজিক হৌজিক মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবতা শান্নরিবা শান্নরোই অমনি। মহাক্না এৱার্দ অসিগা লোয়ননা কেস প্রাইজ লুপা লাক্ষ ১ ফংখি। শান্নরোই অসিদা কেস প্রাইজ অমদি ট্রোফি অসি এ আই এফ এফকি টেক্নিকেল দাইরেক্টর রোবার্দ বেন, এ আই এফ এফকি ভাইস প্রসিদেন্ট কে এম আই মাথর, রিটয়ার জষ্টিস মুকুল মোদগিল অসি হান্না পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টকি চীফ জষ্ট্রিস ওইরম্বা মীওইশিং অসিনা শান্নরোই অসিদা মনাশিং অসি খুৎশিন্নখি।



অমরোমদা নুপাগী বেষ্ট ফুটবোলর ওফ দ ইয়ার তাখ্রবা ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল সেত্রিদা এৱার্দ অসি ইন্দিয়াগী নেসনেল কোচ ওইরিবা ৱিম কোভরমেননা খুৎশিন্নখি। মহাক্না হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্টনেসনেল ফুটবোল মেটচতা অমদি ইন্দিয়াদা শান্নবা নেসনেলগী ওইবা মেটচশিংদা পুন্না গোল ৪৩ চনখি। শান্নরোই অসিনা এৱার্দ অসি হৌখিবা চহী ২০০৭ অমসুং ২০১১ দসু ফংখ্রে। মহাক্না শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ২ অমসুং ট্রোফি ফংখি। জেজে লালপেখুলাদা এ আই এফ এফনা ইমর্জিং প্লেয়রগী মনা পীবগা লোয়ননা লুপা লীশিং ৭৫ পীখি। চহী অসিগী বেষ্ট রেফরিনা প্রতাব সিংহনা ফংখি অদুগা বেষ্ট এসিষ্টেন্ট রেফরিনা পিল্লব পোদারনা ফংখি।

## মর্ফিনা গদ্যান ওপনদা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে



*গদ্যান, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

সাউন মর্ফিনা থা ২৯ গী মনুংদা মেক্সিমক ওইনা ১৪৭ ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা স্নুকরদা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

পোলেন্দদা পাঙথোক্লিগা গদ্যান ওপ স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ্তা মহাক্না থা ২৯ গী মতুংদা মায় পাকপা ঙখিবনি। মতম অমদা ফোর্মর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোই অসিনা ফরগাল ও'ব্রেনবু ৪–১ দা মায়থীবা পীখি। মসিদা মহাক্না পোইন্ট য়াম্না লৌবা ঙমখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতসু মহাক্না জেমি জোন্সপু মায়থীবা পীবা ঙমখি। মসিনা মহাক্কী পুন্সিদা চহী অসিগী ওইনা অনীশুবা চাউনা মায় পাকপা অমা ওইরি।

নাকল অমরোমদা ৱার্ল্ড স্নুকরনা লাউথোরকপগী মতুং ইন্না ফাইনেল চেম্পিয়য়ন্সিপ টুর অসি থাইলেন্দদা পাঙথোক্কনি হায়রি। অদুমওইনমক মসিদা চৎনবা ভারাগী মথক্তা পোলিটিকেলগী ওইবা কয়া অমসু লৈরি।

পোলেন্দগী ওপন অসিদা মহাক্না পোইন্ট ১৪৭ লৌবা ঙমখিবা অসি স্নুকরগী হিষ্ট্রিগী ওইনা য়েংলগসু খ্বাইদগী য়াম্বদা ১০৪ না অথোইবা ওইরি। মসিনা মর্ফিগী পুন্সিদা অনীশুবা চাউনা মায় পাকপা অমা ওইখি। মহাক্না স্নুকর মশান্না অসিদা অহানবা ওইনা পোইন্ট য়াম্না ফংখিবা অসি ইং ২০০১ দা বেনসন অমদি হগিস চেম্পিয়ন্সিপ্তনি।

স্নুকর প্লেয়র চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়ুরোপ অমদি এসিয়ন টুর সেরিজ কয়া য়াওরি। মসিগী মখা তাবা মেটচশিং অদু মথংগী থাদা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং লৈ। অদুমওইনমক ৱার্ল্ড স্নুকরনা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা টুর সেরিজশিং অসি য়ুরোপ্তা পাঙথোক্লবা কন্না হোৎনরি।

মর্ফিনা মহাক্কী পুন্সিদা ইহান হান্না ট্রোফি লৌখিবসি ইং ২০১১ দা ব্রজিলদা পাঙথোকখিবা ব্রজিল মাষ্টর হায়না খঙনবা অদুদনি। মহাক্না হন্দক্কি পোলেন্দদা পাঙথোক্লিবা গদ্যান ওপন অসিদা ১৪৭ লৌবগা লোয়ননা য়ুরো ৬০০ ফংখ্রে। মসি য়ুরোপিয়নগী পাউন্দদা ৫০০ নি।

খ্বাইগী মকোক ওইবা মীওইদা য়ুরো লীশিং ২৫ পীগদবনি। মতম অমগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বা শান্নরোই অসিনা পাউন্দদ মিলিয়ন অনীগী প্রাইজ মণি ওইবা শেলফম অসি ফংলগনি হায়রি।


Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.